পূক্নিং শোঁশিং | বামোন অমুমচা

# উজাও অমসুং অতরগুলাব

অমুকখক নিংথৌরেল অকবরনা মথন্ত জঙ্গলদা শগোল তোংদুনা কোয়থোক্লম্মী। মহাক্না জঙ্গলগী ময়াই য়ৌরকপদা জঙ্গল মনুং অদুদা লৈবা ত্রাইবেল নুপী অমনা কনাগুম্বা অমতগী মতেং য়াওদনা মচা পোকথোকপা অদুগা ঙাইহাক লৈরগা পোকপদা ঙাইরিবা অঙাং অদু ফী অমনা য়োমশিন্দুনা মরেংবান্দা য়ানশিল্লগা চাওরবা শীং মপুল অমা কোকথোংনাদুনা চংখিবা থেংনরম্মী। থৌদৌ অদু অকবরনা য়াম্না নুংঙাইবগা লোয়ননা মহাক্কী কোনুংদা লৈরিবা নুপীশিং অদুসু জঙ্গলদা থেংনরকখিবা নুপী অদুগী থৌনা অদু লৈহননিংলম্মী।

অকবরনা কোনুংদা হেক হল্লকপগা লাওথোক্লম্মী। “ঙসিদগীদি কোনুং অসিদা লৈরিবা নুপী খুদিংমক মচা পোকপদা মাইবী নৎত্রগা মায়োক্লবী নৎত্রগা মাইবগী মতেং লৌবা য়াররোই।” নিংথৌরেলগী য়াথং অদুনা কোনুং মনুংদা লৈরিবা নুপীশিং অদুদা য়াম্না নুংঙাইতবা অমদি পাখৎপা পোক্লম্মী। তৌফম খঙদ্রবা নিংথৌকোনগী লৈমা শিজশিং অদুনা খনবা মখৈ খন্নরগা বীরবলদা মতেং পাংবীনবা হায়জরম্মী।

চয়োল খরগী মতুংদা নোংমা অকবরনা বীরবলগা লোয়ননা মহাক্না য়াম্না পামজনা মালি ময়াম অমা থমদুনা শেমজিরিবা লৈকোল অমদা কোয়থোক্লম্মী। লৈকোল অদুদা অসুম কোইচৎ চৎপদা মহাক্না য়াম্না পামজনা থাজবা তাংলবা অতরগুলাব পাম্বী খরা খুইথরম্বা থেংনরুবদা শাথিনা নুংঙাইতবা ফাওরম্মী। অতরগুলাবশিং অদু শেন্নরিবা মালিশিং অদু কৌশিন্দুনা চৈ থাংবা হৌরক্লম্মী।

মতাং অদুদা বীরবলনা অকবরগী শাওবা ফাথরগা হায়রকই, “ জঙ্গলদা চাওর চাওরবা উজাও ময়াম অমা হৌই। মখোয়দু ঈশিং চাইরুবা শেন্নরুবা য়াওদনা মথন্ত হৌজে। মদুদা মখোয় খুইথবা তৌদে। অদুগা করিগীদমক্তা উ পাম্বী ওইরিবা অতরগুলাব পাম্বীশিং অসি মতম চানা ঈশিং চাইবীদুনা কুপ্না শেন্নরুগদৌরিবনো।”

অকবর খুদক্তা ভাব তারক্লম্মী লোয়ননা লৈমকোলগী নুপীশিং মচা পোকপদা তেংবাংবা য়ারোই হায়বা য়াথং অদু হন্দোকলম্মী।

মী খঙদে পোৎ খঙদে মখোয় মখোয় চপ চাবা মগুণ অদু ফুদোকচনবগী চুনবা অকোয়বগী ফীভম দরকার ওই। অমরোমদা, মী নৎত্রগা পোৎ খুদিংমক চপ মান্নবা মীৎয়েং অমদা য়েংলগা অশেংবা মশক খঙনবা হোৎনবা ওইথোক্তে।

---

### In the Court of the Sub-Deputy Collector
**Keirao Bitra, Imphal East**
*Ref. :- Mutation Cass No. 129/SDC/KBT of 2017*

1. Takhellambam Lonine Devi
   D/o(L) Kanhai Singh of Keirao Bitra Mayai Leikai
2. Takhellambam Thaja Devi Devi D/o (L) -do- of -do-
3. Takhellambam Suraj Singh S/o(L) Ibohal Singh of -do-
4. Takhellambam Indrakumar Singh S/o(L)Kanhai Singh of -do-
5. Takhellambam Hemanta Singh S/o -do- of -do-

***- Petitioner***

***-Verses-***

Late Takhellambam Kanhai Singh
S/o(L) Kumuda Singh of Keirao Bitra

***- O.P.***

**NOTICE**

*Keirao Bitra,the 6/5/2017*

Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি ঃ– Imphal East KBT Circle গী Village No. 57- Keirao Bitra গী Patta No. 438 (অরিবা) 291 (অনৌবা) C.S. Dag No. 1059 an area 0.28 acre of Ingkhol Class লম অসিগী Pattadar Takhellambam Kanhai Singh অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মচা, মশুশিংনা লৈখিদ্রবগী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউ–চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরোৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. KBT অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চৎথগনি মতুংদা লাকপা ৰাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
KBT Imphal East, Manipur

***SL/2065(c)/07***

---

### In the Court of the Sub-Deputy Collector
**Bashikhong, Imphal East**
*Ref. :- Mutation Case No. 151/SDC/B/IE/2017*

1. Kangujam Ibohal Singh
   S/o(L) Jarma Singh of Bashikhong Kongba Irong
2. -do- Dhaneshwori Devi
   W/o (L) Ibotombi Singh of -do-
3. -do- Ibopishak Singh
   S/o Jarma Singh of -do-
4. Ningombam Kumar Singh
   S/o (L) Bidhu Singh of Bashikhong

***- Petitioners***

***-Vrs-***

1. Kangujam Jarma Singh
   S/o Sajou Singh of Wangkhei Mandol
2. Ningombam Bidhu Singh
   S/o Tombi Singh of Bashikhong

***- O. P.***

**NOTICE**

*Bashikhong , the 6th May, 2017*

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না ইঃ ইঃ তাহশিল খুলনং ৫৫–লৌমানবী পট্টা নং ৪১ অনৌবা দাগ নং ১১১৪,১৪১,৩২৮,৩৯১ মোট এরিয়া ১.৬৯+.৬৫+.২৪+৩.৪৯ একর চাওবা ইংখোল / লৌফম অসিগী পট্টাদার 1.Kangujam Jarma SinghS/o Sajou Singh of Wangkhei Mandol, 2.Ningombam Bidhu Singh S/o Tombi Singh of Bashikhong দা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পট্টাদারগী মমিংদা লৈবা ইংখোল / লৌফম অসি মথক্তা পনলীবা দরখাষ্ট কারীশিং অসিনা সত্তা ওইনা ফংজরে, অমসুং নমা ওখোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি খবর অসিদা ফোঙখিবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা অপটি(Objection) চে পীশিনলবা য়াগনি, মতুং লাকপা অপটি (Objection) অমতা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Bashikhong Imphal East

***SL/2065(e)/07***

---

### In the Court of the Sub-Deputy Collector
**Keirao Bitra, Imphal East**
*Ref. :- Mutation Cass No. 126/SDC/KBT of 2017*

1. Md. S Farook Abdullah
   S/o(L) Malubi Fajul Karem of Kiyamgei Awang leikai
2. S. Farijuddin S/o(L) -do- of -do-
3. S. Furkan Ahamad S/o(L) MV. Fojul Karim of -do-

***- Petitioner***

***-Verses-***

Late Malubi Fojul Karim
S/o Late Ataullah of Kiyamgei Awang Leikai

***- O.P.***

**NOTICE**

*Keirao Bitra,the 6/5/2017*

Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি ঃ– Imphal East KBT Circle গী Village No. 50-Kiyamgei Muslim গী Patta No. 137 (অরিবা) 138/529 (অনৌবা) C.S. Dag No. 129/657 an area 0.47 acre of Phourel Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar অসিগী লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউ–চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরোৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. KBT অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চৎথগনি মতুংদা লাকপা ৰাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
KBT Imphal East, Manipur

***SL/2065(b)/07***

---

### In the Court of the Sub-Deputy Collector
**Keirao Bitra, Imphal East**
*Ref. :- Mutation Cass No. 127/SDC/KBT of 2017*

1. Laishram Badal Singh
   S/o(L) Keshorjit Singh of Urup Awang Leikai:- .03 acres East
2. -do- Wanglen Singh S/o(L) -do of -do- .07 acres West

***- Petitioner***

***-Verses-***

Late Laishram Keshorjit Singh
S/o(L) Madhumangol Singh of Urup

***- O.P.***

**NOTICE**

*Keirao Bitra,the 6/5/2017*

Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি ঃ– Imphal East KBT Circle গী Village No. 49-Urup গী Patta No. 401 (অরিবা) 358/1137 (অনৌবা) C.S. Dag No. 1120/1369 an area 0.10 acre of Ingkhol Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar অসিগী লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউ–চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরোৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. KBT অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চৎথগনি মতুংদা লাকপা ৰাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
KBT Imphal East, Manipur

***SL/2065(a)/07***

---

### In the Court of the Sub-Deputy Collector
**Porompat, Imphal East, Manipur**
*Ref. :- Mutation Cass No. 420/SDC/P of 2017*

Ashangbam (O) Subita Leima
W/o(L) Temba Singh of Wangkhei Khunou.

***- Petitioners***

***-Vrs-***

Ashangbam Temba Singh
S/o(L) Budhachandra Singh of Wangkhei Khunou.

***- O.P.***

**NOTICE**

*Porompat,the 6/05/2017*

Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি ঃ– Imphal East Porompat Circle গী Village No. 103-Konjeng Poila Leikai গী Patta No. ...... (অরিবা) 121 (অনৌবা) C.S. Dag No. 167 area 0.088 acre of Ingkhol Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউ –চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চৎথগনি মতুংদা লাকপা ৰাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Porompat, Imphal East, Manipur

***SL/2096(B)/07***

---

### In the Court of the Sub-Deputy Collector
**Porompat, Imphal East, Manipur**
*Ref. :- Mutation Cass No. 421/SDC/P of 2017*

Thokchom (O) Waikhom Tamubi Devi
W/o Th. Rajnikanta Singh of Top Mayai Leikai

***- Petitioners***

***-Vrs-***

Thokchom Gulap Singh
S/o (L) Laphoi Singh of Top Mayai Leikai

***- O.P.***

**NOTICE**

*Porompat,the 6/05/2017*

Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি ঃ– Imphal East Porompat Circle গী Village No. 20- Laingampat গী Patta No. 103 (অরিবা) 15 (অনৌবা) C.S. Dag No. 136 area .59 acre of Anganphou Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউ –চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চৎথগনি মতুংদা লাকপা ৰাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Porompat, Imphal East, Manipur

***SL/2096(A)/07***

---

EMPLOYMENT NEWS

## থবক্কী পাও

### MPRDC recruitment 2017 Apply online for 37 Various Vacancies at mprdc.nic.in

MPRDC recruitment 2017 Apply online for 37 Manager, Assistant General Manager & Various Vacancies at mprdc.nic.in

Madhya Pradesh Road Development Corporation released new notification on their official website mprdc.nic.in for the recruitment of total 37 (thirty seven) jobs out of which 24 (twenty four) vacancies for Manager (Technical), 04 (four) for Assistant General Manager (Technical) & Various Vacancies. Job seekers should apply from 09th May 2017 and before 29th May 2017.

Govt Department:- Madhya Pradesh Road Development Corporation
Post info:- Manager, Assistant General Manager
Job Location:- Madhya Pradesh
Official website: mprdc.nic.in

MPRDC jobs 2017 Alert
Manager (Technical): 24 Vacancies

Qualification:- Candidates who wanted to participate for MPRDC Manager job should have BE/ B.Tech in Civil Engineering from AICTE Approved Institute.
Salary Structure:- Rs. 15600 – 39100/- Grade pay – 5400/- Per Month
Assistant General Manager (Technical): 04 vacancies

Qualification:- Aspirants who decided to join MPRDC Assistant General Manager posts should have possess BE/ B.Tech (Civil) Engineering from AICTE approved institute with 06 years experience.
Salary breakup:- Rs. 40000/- Per Month
Age Limit:- 21 to 45 years as on 31/03/2017

Selection Process:- Selection will be made on the basis of Performance in Qualification, Experience and Interview.

Fee charges:- Applicants who wanted to participate for Manager, Assistant General Manager vacancies should pay the below charges through MP Online.

Unreserved & OBC: Rs. 200/- (Rupee two hundred only)
SC/ST/Handicapped of MP Domicile: No Application Fee
How to apply for MPRDC recruitment 2017:- Eligible applicants may apply online through the website www.mprdc.nic.in OR www.mponline.gov.in from 09.05.2017 to 29.05.2017.

Important Dates to remember:-
Form Submission starts From: 09.05.2017
Form Submission End Date: 29.05.2017
Tentative Date of Publishing list of Shortlisted candidates: 05.06.2017
Date of Interview: 12.06.2017 & 13.06.2017

### HNL recruitment 2017 advertisement 03 Company Trainee

Hindustan Newsprint Limited released new notification on their official website hnlonline.com for the recruitment of 03 (three) vacancies for Company Trainee. Job seekers should register till 10th May 2017.

Govt Department:- Hindustan Newsprint Limited
Post Name:- Company Trainee
Posting:- Kottyam (Kerala)
Official website: hnlonline.com

HNL jobs 2017 Alert
Company Trainee: 03 Vacancies
Qualification:- Candidates who wanted to participate for HNL Company Trainee job should have passed B.Tech in Mechanical.
Salary Structure:- Rs. 5000/- Per Month
Age Limit:- As per Rules

How to apply for HNL recruitment 2017:- Interested Applicants may send their resume either by hand or by post to the HOD (HR&ES)&L, Hindustan Newsprint Limited, Newsprint Nagar PO, Kottayam – 686616 with attested copies of certificates, so as to reach the office on or before 10/05/2017.
Important Dates to remember:-
Form Submission End Date: 10.05.2017

---

### In the Court of the Sub-Deputy Collector
**Bashikhong, Imphal East**
*Ref. :- Mutation Case No. 150/SDC/B/IE/2017*

1. Ningombam Sanajaoba Singh S/O (L) N. Thaniljao of Thongju part- II.
2. -do- Thoiba Singh S/O (L) -do- of -do-.
3. -do- Ingobi Singh S/o -do- of -do-.
4. -do- Ongbi Ibemeha Devi D/O -do- of -do-.
5. -do- Ibomcha Singh S/O -do- of - do-

***- Petitioners***

***-Vrs-***

Ningombam Thaniljao Singh S/O (L) Toyaima Singh of Thongju part - II

***- O. P.***

**NOTICE**

*Bashikhong , the 6th May, 2017*

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না ইঃ ইঃ তাহশিল খুলনং ৫৮– থোংজু পট্টা নং ৩২৯/২০৬৬ অনৌবা দাগ নং ৭৬৭/২৩৭৩, ৭৬৮ /২৩৭৪ এরীয়া .৩১+১.০৩৮ একর চাওবা ইংখোল, লৌফম অসিগী পট্টাদার নিংঙোমম্বম থানীলজাও সিংহ পীং মৃঃ তোয়াইমা সিংহ সাং থোংজু পার্ট–টু দা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পট্টাদারগী মমিংদা লৈবা ইংখোল অমসুং লৌফম অসি মথক্তা পনলীবা দরখাষ্ট কারীশিং অসিনা সত্তা ওইনা ফংজরে, অমসুং নমা ওখোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি খবর অসিদা ফোঙখিবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা অপটি(Objection) চে পীশিনলবা য়াগনি, মতুং লাকপা অপটি (Objection) অমতা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Bashikhong Imphal East

***SL/2065 (d)/07***

---

## শগোলশেম হেমন্ত

## খেংজোই চীংশাংদা

*(মণিপুর অমদি মপান লমগী পাউমী খুৎপু অমনা ২০০৬ তা চান্দেল ডিষ্ট্রিক্টকী ম্যানমারগা তাইনবা ঙমখৈ পরিংদা চৎলুবগী অৰা–নুংঙাই পাউদম লাইরিক্নি। ঙসি ফাওবদা খুৎনম তরুক্লক পুথোক্কুনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না য়োনবা মণিপুরী লাইরিক ওইরি)*

৪

### খেংজোই চীংদা

*ঙরাংগী মখা...*

মণিপুরবু বৃটিশনা থাদোক্লমদাই জুলাই ১৯৪৭ তা মণিপুর কন্সটিট্যুসন এক্ট, ১৯৪৭ হায়না খঙনবা মণিপুরগী অহানবা দেমোক্রেটিক কন্সটিট্যুসন অমা নিংথৌ বোধচন্দ্রনা লাউথোক্কুনা চংনবা হৌহনখি। কন্সটিট্যুসন অসিদা পীবা মতুংইন্না আগষ্ট ১৯৪৮ দা মণিপুরদা অহানবা ওইনা য়ুনিভর্সেল ফ্রেঞ্চাইজ পীদুনা পাঙথোকপা দেমোক্রেটিক ইলেক্সন্না মীয়ামগী মীহুৎ ৫৮ খন্দুনা মনীং তম্বা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লি অমা শেমখি। এসেমব্লি অসি নিংথৌ বোধচন্দ্রনা ওক্টোবর ১৮–১৯৪৮ দা হৌদোকখি। মসিগা লোয়ননা মণিপুরদা দেমোক্রেটিক গভর্ণমেন্ট অমসু ৰাশক লৌদুনা থবক পুবা হৌহনখি। নুমিৎ অদুদগী হৌনা নিংথৌদা লৈরম্বা লেজিসলেটিব পৱার অদু এসেমব্লি অসিদা শিন্নখি অমসুং লৈবাক ৰায়েল থৌদাগী মঙমসু নৌনা ৰাশক লৌরবা চীফ মিনিষ্টরনা লূচিংবা কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরদা শিন্নখি। মতম অদুদা ইন্দিয়াগী মনীংতম্বা কন্সটিট্যুসন অমা চৎনবা ফাওবা হৌদ্রি। মসিগী মতুং মতম খরদি মণিপুর অসি ইংনা চিক্না লৈজরম্মী। অদুবু ইন্দিয়ানা মখোয়গী ‘দেৱান’ অমা থাজিল্লক্কুনা মণিপুরগী লৈঙাক ৰায়েলদা মখুৎ থিংজিনবা হৌরকপদগী চরাংনবা ফিভম থোরকপা হৌহনখি। মরমদি মণিপুরদা পাঙথোকখিবা দেমোক্রেটিক ইলেক্সন অদুদা এ ন্নেক্সেসন য়াদবা এল্লাইন্সনা মেজোরিটি ওইদুনা গভর্ণমেন্ট শেমখিবা অদু ইন্দিয়ানা শাওনিংখি। মরিপুরদা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন চৎনহনবা য়ারোইদবা ফিভম অসি লৈরকপদগী ওক্টোবর ১৫,১৯৪৯ দা ইন্দিয়ানা মনীং তম্বা মণিপুরবু নমদুনা লৌশিনখিবনি। নুমিৎ অদুমক্তদা মনীংতম্বা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লি অদুবু কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরগা লোয়ননা পুংমুৎ মুখৎলে হায়না ইন্দিয়ানা গভর্ণমেন্টকী একজিক্যুটিব ওর্দর অমনা লাউথোকখি।

*মথং মথং ...*

---

## য়ুমগী লায়য়েং

***শগোলশেম ইন্দ্রমনি সিংহ***

## চাবা (চিঞ্জাক)

*ঙরাংগী মখা...*

চারিবা চিঞ্জাক্তা ফেট কয়া য়াওবা, য়াওহনগে, য়াওহল্লোই হায়বা মথক্কী টেবল অসিদগী লেপ্পা য়ারে। কাবের্বোহাইড্রেটসু ককথবা তাবনি। লিষ্ট য়েংবীয়ু। চুগী চিনিসু ককথগদবনি। মী অদু ৰাংবা নেম্বগী মতুং ইন্না চিঞ্জাক্কী চাংসু খেন্নহল্লু। নুপী নুপাগী প্রোপোর্সন পীরিবা অদুদা য়েংলগা পাউণ্ড ২০ হেল্লবদি মহাওগা চিনিগা খঙলৌ লৌথোক্কদবনি। নবাব মহী থক্কুনা, খামেনশিনবা মহী, মাখোন লৌথোকখ্রবা মহী থক্কুনা লৈগদবনি।

চয়োন্দা পাউণ্ড ২ তাথহনবা চিঞ্জাক–

**১বানুমিৎ**

| অয়ুক | ময়ায়গী | নুমিদাংগী |
|---|---|---|
| খামেনশিনবা মহী গ্লাস অমা, য়েরুম অফুৎপা (হাফ বোইল্ড) তোস্ত খরা। ঈশিং অশাবা গ্লাস অমা। | হৱাই মকুচাবী তেঙ্গোৎ মচা অমা হঙ্গাম সলাদ অহিংবা শিংজু, তাস্ত মচেৎ অমা, মাখোন মহী। | ঙা–শা খরা, পালংসাগ খরা, মনাগী শিংজু, চম্প্রা মহী, তোস্ত খরা। |

**২শুবা নুমিৎ–**

| | | |
|---|---|---|
| নবাব মশুং খরা, য়েরুম (পাচদ) তোস্ত, ঈশিং অশাবা। | খামেনশিনবা থোংবা ব্রান য়াওবা তোস্ত কোবী, গাজরগী চম্প্রা মহী চাইবা সলাদ, খামেনশিনবা মহী। | ঙা–শা, কোবী থমচেৎ, তোস্তসলাদ মনাগী। |

**৩শুবা নুমিৎ–**

| | | |
|---|---|---|
| নবাব তঙ্খয় অমা, য়েরুম অমা, তোস্ত, ঈশিং অশাবা গ্লাস অমা। | মনা–মশিং খরা, তোস্ত, থবী, হঙ্গাম সলাদ, চম্প্রা মহীনা | ঙা–শা, হঙ্গাম তেঙ্গোৎ অমা, তোস্ত খরা, খামেনশিনবা খরা। |

**৪শুবা নুমিৎ–**

| | | |
|---|---|---|
| কমলা১, চম্প্রা১, য়েরুম অমা, তোস্ত খরা। | মনা মশিং খরা থোংবা–চম্ফুৎ তোস্ত, গাজর, খামেনশিবা মহী। | ঙানৎত্রগা য়েন সালগোম, কোবী সলাদ, তোস্ত। |

**৫ শুবা নুমিৎ–**

| | | |
|---|---|---|
| নবাব মহী গ্লাস১, য়েরুম১, তোস্ত খরা, ঈশিং অশাবা গ্লাস অমা | চিজ খরা, নবাব খরা, তোস্ত, মনা খরগী মহী, কোবীগীসু য়াই। | ঙা, কোবী শিংজু, তোস্ত। |

*মথং মথং ...*